# ঐখোয়বু থৌনা হাপ্পিয়ু, পুক্নিং থৌগৎপীয়ু, মীয়াম্না সপোর্ট ফজনা তৌবিরবদি ঐখোয়সু মায়পাক্না চঙশিনবা ঙমগনি

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**


লিকমাবম সুশিলা
*(ইন্টর্নেসনল জুদোকা)*

(ঙরাংগী মখা)

জুদো শান্নরোয় অমা ওইনা ইন্টর্নেসনল থাক্তগী ঐনা লৌজরকখিবা মেদলসি সনাগী মঙা, লুপাগী অহুম, সেঞ্চংগী অমা ফংবা ঙমজখ্রে। ইন্টর্নেসনল থাক্তা ঐখোয়না পীজখিবা পর্ফোমেন্স, পুজরকখিবা মেদল পূম্নমকসি য়েংবীরগা ইশা-ইশাগা চান্নবা প্রমোসন পীবিবা পামজৈ। ঐখোয়গীদি ষ্টেট স্পোর্টস পোলিসিসু লৈতে। মণিপুর গভর্নমেন্টনা ঙসি ফাওবা স্পোর্টস পোলিসি শেম্বীদবসিদি খ্বাইদগী অশোয়বা অমনি হায়জনিংই। ফুটবোলগী সিনিয়র ইচে ময়াম অমসু প্রমোসন ঙসি ফাওবা পীবিদনা কষ্টেবল ওইরগা লৈরি। ঐখোয়গা লেভেল অমৎতদা শান্নমীন্নরকপা, ইমান্নবী ময়াম অমদি অচৌ-অচৌবা ফম পায়দুনা ওফিসর রেঙ্ক লোইনা য়ৌনখ্রে। ইশাগী ষ্টেটতা লৈজনিংলুবা, ইরমদম্বু নুংশিনা খঞ্জরুবা ঐখোয়দি থবক্কী মতাংসিমসি খরা পেঞ্জদ্রে। ঐগা মণিপুরদা থবক তামীন্নরম্বা ৱেথ লিফতিংগী সাইখোম মীরাবাই চনু, সঞ্জিতা মখোয়দি ওফিসর রেঙ্ক লোইনা য়ৌখ্রে। প্রমোসনগুম্বসি য়াম্না পাম্লুবগী ৱাফমদি নত্তে, ইমান-ইমান্নবগা লম্বা তৌনদুনা কন্না শান্নরিবনিনা করি করিগুম্বা মতমদা, থবক তৌরে হায়বনিনা করম্বা দিপার্টমেন্টনো করি রেঙ্কতা লৈরি হায়বসি কমন ওইনা হংনবা ৱাফম ঙাক্তনি। অদুগুম্বা মতাংদুদা খুন্ফম খঙদদুনা ঐখোয়দি কোয়চেন চেন্দুনা খাংই। কষ্টেবল ওইরি হায়বদুদি করম্না হায়রুনি। মসিনসু ঐখোয়দদি য়াম্না নুংঙাইহনে দ। অদুনা অথুবা মতমদা মণিপুর ষ্টেট স্পোর্টস পোলিসি শেম্বীয়ু হায়বসিমদি খরা কন্না লাউজনিংই।

অদুগা, শান্নফমগী মতাংসিসু মণিপুর গভর্নমেন্টগী মায়কৈদগী খরা য়েংশিনহঞ্জনিংই। মতিক চাবা শান্নফম লৈবা তারবদি ঐখোয় মণিপুরদা অদুমক ত্রেনিং তৌজবা য়াই। ৱর্ল্ড ক্লাসকী জুদো মেট হৌজিকপুদি মণিপুরদসু খরা-খরা লৈনরক্লে। ত্রেনিং তৌবা মতমদা খরা অফবা মখলগী মেটতা তৌরবদি ফোম তাবসু হেল্লি। ক্বালিটি লৈতবদা শান্নবা হায়বসিদি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাইনি।





অমরোমদা, মথং চহী ২০২০গী তোকিও ওলেম্পিক গেমস হায়বদু ঐহাক্না মতম কুইনদগী ঙাইজরকখিবা গেমনি। হৌজিক্তী ইন্দিয়াগী ওইনসু নুপীদা ইথন্তা ঙাইশিল্লক্লবনিনা ঐহাক হেন্না ফিট ওইদবা য়াদ্রে হায়বসিসু পূক্নিংদা ফাওহল্লে। চৎলিবা চহীসিগী দিসেম্বর থা হেক লোইখিবদগীদি, ২০২০গী অনৌবা চেপ্টরসু হৌরক্লগনি। কুমজা ২০২০ অসি ঐগীদি খ্বাইদগী মরু ওইবা চহী অমসু ওইগদৌরি। অদুনা খোঙফম অমত্তা শোয়হন্দনা থাংবা ঙম্নবা কন্না হোৎনগে হায়নসু খঞ্জে। হৌজিক্তী ঐগী মরু ওইবা তার্গেটসি তোকিও ওলেম্পিকতা শরুক য়াবা ঙম্নবা হোৎনবা, লোয়নন‌া ওলেম্পিক মেদল অমা পুরগা লাকপা হায়বসিনা ওইরি।

মণিপুরগী ওলেম্পিক গেমস য়াওবা ঙন্বা ইচে অনিসু লৈখ্রে। ঙসিদগীনা চহী ২০গী মমাংদা ঐখোয়গী ইচে জুদোকাশিং ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবা ঙমখ্রে। লোয়নন‌া জুদোগী কোচ ওইনা ওঝা খাইদেম গুনমণিসু, কুমজা ২০০৮কী বৈজিং ওলেম্পিক গেমসতা শরুক য়ারুরবা মীশক্নি। জুদো মশান্নগীদমক্তদি ওঝা গুনামণিসু মতম শাংনা শান্নরোয়শিংগীদমক্তা কখোরক্লবা কোচনি। কুমজা ২০০৮দা খুমুজম ইচে তোম্বীনা ওলেম্পিক গেমস (বৈজিং) য়াওবা মতমদুদা, ওঝা গুনমণিসু পূন্না চৎমিন্নখিবনি। ওঝা গুনমণি মৈতৈ মচাশিংগী মনুংদগীদি ইহান হানবা ওইনা ওলেম্পিক গেমসতা জুদোগী কোচ ওইনা শক্তাকপীখ্রবা মীওইনি। হৌজিক-হৌজিকমক্তী ওঝা গুনমণি খুমন লম্পাক্তা লৈবা নেসনল স্পোর্টস একাদেমিদা কোচ ওইদুনা লৈরি। ঐগী ওইনা করিগুম্বা অমা খঙনিংলকপা মতমদা ওঝা গুনমণিদসু অদুম হংজে। মরক মরক্তসু ওঝাগী মনাক্তা ত্রেনিং তৌবসু চৎচৈ। মণিপুরদা লৈরিবা জুদোগী কোচ ময়ামসিদা মখল-মখলগী তেক্নিক, তেক্নিস পায়বা কোচশিংসু য়াওরি। মরম অদুনা, কোচশিং অসিগী মনাক্তসু ঐহাক অদুম চৎচৈ। অশেংবমকসু, ওঝা ময়ামশিং অসিনা তাকপীরকপা, তম্বীরকখিবা পূম্নমক ঐঙোন্দদি অনৌবা পারা ঙাক্তনি। কোচশিংনা ফজনা ত্রেনিং তৌবিরবা, মীয়াম্না সপোর্ট নিংথিনা পীবিরবা, কন্না হোৎনজদুনা মেদল পুরকপা, ইরমদম্বু মালেমদা শক্তাকপদি শান্নরোয় ঐখোয়গী শোয়ফদ্রবা ইথৌদাং ওইজগে। ঐখোয়বু শৌগৎপীয়ু, পূক্নিং থৌগৎপীয়ু, সুকশোয় শোয়দনা ওলেম্পিক মেদল পুজরক্কে। (লোইরবা)

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৮

১) বর্লিনগী চেকপল থুগাইখ্রবা মতুংদা নোংপোক অমসুং নোংচুপ জর্মনি পুনশিনখি। মদুদা নোংপোক জর্মনিগী মহুৎ শীন্দুনা ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন ওইরম্বা শান্নরোয় অমদি চহী অমদা ষ্টেরিয়দ (Steriod) গ্রাম ৩,৯৫৫ চাখি হায়না খঙলকখি, মহাক কনানো?

২) ঐহাক অনীশুবা মেগা মরাথন্দা নুপাগী চহী ৫০গী গ্রুপ্তা অনীশুবা তাখি। ঐগী ইমিং হায়য়ু।

৩) ৱিন্টর ওলিম্পিক্কী স্লালোম (SLALOM)গী থৌরমদা এথলেট অমদি পোজিসন অহুমগী মনুং চনবা ঙমখিদবদগী নিংবা কায়খি। মরম অদুনা লমথুংফম য়ৌগদবা মিটর অমরোমতা ঙাইরবা মফমদগী ফমথরগা লমথুংফম লোমদা মনিং ওনশিল্লগা লমথুংফম অদু লাম্হোকখি। মহাক কনানো?

৪) মণিপুরদা লৈরিবা ক্লব, স্কুল, কোলেজতা ষ্টেটকী ওইবা শান্নবগী লুপনচিংবা অসিগী মনুংদা হৌখিবা চহী নিফু (৪০) অসিদা চহীগী ওইনা ক্রোস কন্ট্রি লমজেল (Cross Country Race) পাঙথোক্তুনা মনা মথুম অমদি সার্টিফিকেটনচিংবা য়েন্থোকপা অমগী মমিং পীয়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন‌া খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## বি দব্লীয়ু এফ এৱার্দকীদমক ইন্দিয়াগী রানকিরেদি-সেথি অমসুং বগত নোমিনেট তৌরক্লে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৫(এজেন্সী): বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনন‌া চহী খুদিংগী পীবা মালেমগী বেদমিন্টন শান্নরোয়শিংগী মরক্তা খ্বাইদগী ফজবশিংগী ওইনা খনগৎখিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা নুপাগী দবলসকী সাতৱিকসাইরাজ রানকিরেদি অমসুং চিরাগ সেথিগী পেয়রগী মমিং য়াওখ্রে। লোয়নন‌া পেরা সটল্লর অমা ওইরিবা প্রমোদ ভগতকী মমিংসু খনগৎলক্লে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলসকী পেয়র ওইরিবা অহা ওইরিবা শান্নরোয় অনী সাতৱিকসাইরাজ রানকিরেদি অমসুং চিরাগ সেথিনা কুমজা ২০১৯দা ফজবা পর্ফোমেন্স কয়া উৎপা ঙমখিবা অদুনা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী চহীগী ওইবা মনা লাউথোরকপদা মখোয়গী মমিং য়াওরকখিবনি।



ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা চহী অসিদা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখি। মদুগী মতুং ফ্রেন্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা রন্নর্সঅপ তাহৌবনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী পেরা বেদমিন্টন এথলেট প্রমোদ ভগতনা চহী অসিদা গোল্ড মেদল ১১, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ ফংদুনা কাংলুপ অদুগী মিং লাউথোকপা য়াওরকখিবনি।

## মণিপুরগী নুপী বোক্সর তোংব্রম প্রেমি নেসনল চেম্পিয়নশিপকী প্রি ক্বার্টরদা লৈহৌরে

কনুর, দিসেম্বর ০৫(এজেন্সী): কেরলাগী সিটি কনুরদা পাঙথোক্লিবা ইলিট নেসনল ৱিমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা ঙসি মণিপুরগী বোক্সর তোংব্রম প্রেমি কিলোগ্রাম ৫৬কী কাংলুপক্তা প্রি ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে।

ঙসি পাঙথোকখিবা কিলোগ্রাম ৫৭ (ফেদর ৱেথ)কী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অদুদা মণিপুরগী বোক্সর তোংব্রম প্রেমি হরিয়ানাগী বোক্সর সাক্সি চৌধরিনা ৫-০দা মায়থীবা পীরম্বনি। হায়রিবা ৱেথ কেটগোরি অদুদা মায় পাকখিবা অতোপ্পা বোক্সরশিং অদুদি মৈধ্য প্রদেশকী তনুবু থিল্লম্বা মিজোরামগী লালরেমরুআতি অমসুং কেরাগী নিসিবু মায়থীবা পীরম্বা রেলৱেজগী মিনক্সিনি।



কিলোগ্রাম ৪৮ (লাইট ফ্লাইৱেথ)তা অসামগী বোক্সর প্রিয়াগোরনা কেরলাগী অঞ্জুবু মায়থীবা পীরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। কাংলুপ অসিদা হরিয়ানাগী আর্তিসু মহাক্কী লম্বা অন্ধ্র প্রদেশক জোথিবু থিল্লগা ক্বার্টর য়ৌখি।

কিলোগ্রাম ৫১ (ফ্লাইৱেথ)গী কাংলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবা বোক্সরশিং অদুদি হরিয়ানাগী রিতু, মধ্যা প্রদেশকী দিপানি। কিলোগ্রাম ৫৪ (বেন্টাম ৱেথ)তা হরিয়ানাগী দরসনা অমসুং উট্টরখন্দগী গয়াত্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

কিলোগ্রাম ৬০ (লাইট ৱেথ) কেটগোরিদা টামিলনাদুগী জি মোনিসা অমসুং রেলৱেগী পাবিত্রা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। কিলোগ্রাম ৬৪দা কর্নাটকাগী গাজল অমসুং মিজোরামগী অবিসাক ক্বার্টর য়ৌখি।

লোয়নন‌া কিলোগ্রাম ৬৯দা দিল্লিগী অঞ্জলি, কেরলাগী বেনি অমসুং রেলৱেজগী মিনা রানি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী ৱুসু শান্নরোয়শিংনা সাউথ এসিয়ন গেমসতা পুন্না গোল্ড মেদল ৭ লৌদুনা য়াম্না চাওনা মায় পাক্লগা মেদল টেল্লিদা মাংজিল থাখ্রে

SOUTH ASIAN GAMES - 2019 (13th)

পোখারা, দিসেম্বর ০৫(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ৱুসু শান্নরোয়শিংনা ঙসি নেপালনা য়ুম্বু ওইরগা চথরক্লিবা ১৩ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমস ২০১৯দা পুন্না গোল্ড মেদল ৭ লৌবা ঙমদুনা য়াম্না চাওনা ফজখিবগা লোয়নন‌া লৈবাক ৭কী ওইবা গেম অসিগী মেদল টেল্লিদা মাংজিল থাবা ঙমখ্রে।

ঙসি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ৱুসু মশান্না খক্তা নত্তনা স্বিমিং, ৱেথলিফটিং অমসুং এথলেটিক্সতা মেদল কয়া অমা লৌবা ঙমদুনা লৈবাক ৭না শরুক য়ারিবা ১৩ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমস অসিগী মেদল টেল্লিদা পুন্না গোল্ড মেদল ৬২, সিলভর ৪১ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ২১ ফংদুনা অপুনবা মেদল ১২৪ ফংলগা মাংজিল থাদুনা লৈরি।



মেদল টেল্লিদা য়ুম্বু নেপালনা গোল্ড ৩৬, সিলভর ২৭ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩৮ ফংদুনা অপুনবা মেদল ১০১ ফংদুনা অনীশুবা থাক্তা লৈরি। অহুমশুবা থাক্তা শ্রি লঙ্কানা গোল্ড মেদল ১৭, সিলভর ৩৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ৫৫ ফংলগা অপুনবা মেদল ১০৭ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি। অমরোমদা পাকিস্তানগী টিমনা গোল্ড মেদল ১৫, সিলভর ২৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ২৪ ফংলগা অপুনবা মেদল ৬২ ফংলগা মরিশুবা থাক্তা লৈরি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ৱুসু ইভেন্টতা নুপীগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীনখিবী মণিপুর মচা রোসিবিনানা কে জি ৬০দা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অদুদা পাকিস্তান অমসুং বংলাদেশকী শান্নরোয়শিংনা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

কে জি ৬৫দা মণিপুরগী অতোপ্পা শান্নরোয় সুসিলানা গোল্ড ফংলগা পাকিস্তানগী সুন্দাসনা সিলভর লৌখি। নুপীগী কে জি ৭০ অমসুং ৭৫গী কেটগোরিদা ইন্দিয়াগী দিপিকা অমসুং পুনমনা গোল্ড মেদল ফংলগা নেপালগী শান্নরোয় অনীনা ইভেন্ট অনী অদুদা সিলভর লৌখি।

কিলোগ্রাম ৫২গী নুপীগী সানসৌ ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবী মণিপুর মচা সনাথোইনা গোল্ড মেদল লৌরগা নেপালগী অলিনানা সিলভর ফংখি।

কেটগোরি অদুগী কিলোগ্রাম ৫৬তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় মণিপুর মচা ও বিদ্যপতি চনু সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা নেপালগী জুনিরাইনা গোল্ড, অদুগা শ্রি লঙ্কাগী মদুমলিনা সিলভর লৌখি।

নুপাগী গুন্সু ওল রাউন্দ ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিল্লিবা মণিপুর মচা সুরজনা পোইন্ট ১৯.২২ ফংলগা গোল্ড মেদল লৌখি। সিলভর অদুনা নেপালগী বিসো মগরনা পোইন্ট ১৯.১৩দা সিলভর ফংখি। অদুগা বংলাদেশ অমসুং শ্রিলঙ্গাগী শান্নরোয়শিংনা ব্রোঞ্জ অনী ফংখি।

এথলেটিক্সকী ইভেন্টশিংনা ইন্দিয়াগী নুপাগী এথলিট কার্থিক্না ত্রিপল জম্পতা গোল্ড মেদল লৌখি। লোয়নন‌া নুপীগী ত্রিপল জম্পতা ইন্দিয়াগী ভৈরবীনা ব্রোঞ্জ ফংখি। অদুগা নুপীগী মিটর ৪০০দা ইন্দিয়াগী প্রিয়ানা সিলভর। নুপীগী মিটর ১০০গী হরদলদা ইন্দিয়াগী অপরনাসু সিলভর অদুগা নুপাগী মিটর ১১০গী হরদল লমজেলদা ইন্দিয়াগী সুরেন্দরসু সিলভর ফংখি।

শুটিং ইভেন্টতা নুপাগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল ফংখিবগা লোয়নন‌া ইন্টিভিজুএল ইভেন্টতসু ইন্দিয়াগী শুটর অনীনা গোল্ড অমসুং সিলভর মেদল ফংখি।

টাইক্বান্দোনা নুপীগী কে জি ৪৯, ৬৭, ৭৩দা ইন্দিয়াগী পুরব, রুচিকা অমসুং মাগ্রেটনা গোল্ড মেদল লৌখি। লোয়নন‌া নুপীগী ৱেথলিফটিংগী কিলোগ্রাম ৪৫দা ইন্দিয়াগী দলাবেহরানা গোল্ড অমসুং কিলোগ্রাম ৪৯গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী সোরেন স্নেহাসু গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

## কেরালা ব্লাষ্টর্স এফ সিগা দ্রো চৎলগা মুম্বাই সিটি এফ সি আই এস এলগী পোইন্ট টেবলদা ৬শুবদা হায়গৎখ্রে

INDIAN SUPER LEAGUE

Match on 6 Dec. (Friday)
JAMSHEDPUR Vs CHENNAIYIN

মুম্বাই, দিসেম্বর ০৫(এজেন্সী): মহারাষ্ট্রগী মুম্বাই সিটিদা লৈবা মুম্বাই ফুটবোল এরেনাদা ঙসি শান্নখিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৭ শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা য়ুম্বু ক্লব মুম্বাই সিটি এফ সিনা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সিগা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎতুনা টিম ১০না শরুক য়ারিবা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা পোজিসনদা হায়গৎপা ঙমখ্রে।



ঙসিগী মেচ অসিগী মাংওইনন‌া মুম্বাই সিটি এফ সি মেচ ৬ শান্নবদা মেচ অমা মায় পাক্লগা অনী মায়থীরগা মেচ অহুম দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৩ ফংলম্বনি। অমরোমদা কেরালা ব্লাষ্টর্স এফ সি মেচ ৬ শান্নবদা মেচ অমা মায় পাক্লগা মেচ ৩ মায়থীবা নংলবা মতুং মেচ অনী দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৫ ফংলগা ৯ শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি।

টিম অনীমক ঙসিগী মেচ অদুদা মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৩ ফংনবগী পান্দমদা হৌবদগী অকনবা লম্বা থেংনরকখি। অহানবা হাফতা মুম্বাই সিটি এফ সি অমসুং কেরালা ব্লাষ্টর্স এফ সি পাঞ্জল চন্নবা হোৎনবদা মশান্না অসিগী কাংলোনগী ৱাংমদা বোল হেন্না পায়নবা হোৎনবদা অরানবা কয়া য়াওখিবদগী মেচ অদুগী রেফরিনা কোসন কয়া পীখি।

অহানবা হাফ পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফকী পুংখাই চঙশিল্লকপদা কেরালা ব্লাষ্টর্সকী আর বোলিনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। অদুবু অথুবা মতমদা মুম্বাই সিটি এফ সিগী এ সর্মেটিনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেচ অদু ১-১দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমমম য়েন্নখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Bengaluru | 7 | 3 | 4 | 0 | 7 | 2 | +5 | 13 |
| 2 | ATK | 6 | 3 | 2 | 1 | 12 | 5 | +7 | 11 |
| 3 | Jamshedpur | 6 | 3 | 2 | 1 | 8 | 6 | +2 | 11 |
| 4 | NorthEast United | 6 | 2 | 4 | 0 | 8 | 6 | +2 | 10 |
| 5 | Goa | 6 | 2 | 3 | 1 | 12 | 8 | +4 | 9 |
| 6 | Mumbai City | 7 | 1 | 4 | 2 | 10 | 13 | −3 | 7 |
| 7 | Odisha | 7 | 1 | 3 | 3 | 8 | 9 | −1 | 6 |
| 8 | Kerala Blasters | 7 | 1 | 3 | 3 | 6 | 8 | −2 | 6 |
| 9 | Chennaiyin | 6 | 1 | 2 | 3 | 4 | 10 | −6 | 5 |
| 10 | Hyderabad | 6 | 1 | 1 | 4 | 5 | 13 | −8 | 4 |

## ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র হোক্কি টিমনা ওষ্ট্রেলিয়াদা শান্নরিবা লৈবাক অহুমগী ইনভাইটেস্নেল মেচ অমদা দ্রো চৎখ্রে

কেনবেরা, দিসেম্বর ০৫(এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি কেনবেরাদা পাঙথোকপা লৈবাক অহুমগী ইনভাইটেস্নেল জুনিয়র হোক্কি টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়াগী অনীশুবা মেচতা য়ুম্বু লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়াগা পাঞ্জল অমমম দ্রো চৎখ্রে।



নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র হোক্কি টিম অসিনা লৈবাক অহুমগী টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং ন্যু জিলেন্দবু মায়থীবা পীদুনা য়াম্না ফজবা মওংদা টুর্নামেন্ট অসি হৌরকখিবনি। ঙসি ইন্দিয়াগী টিম অদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেচ ওইনা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়াগা লম্বা তৌনরকপদা মখোয়গী মায়কৈদগী লৈখিবা পাঙ্গলশিং অদু মতাং মতম চানা পুথোক্তুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুবু লম্বা পীবা ঙমখি।

মেচকী অহানবা ক্বার্টরগী ওইবা মিনট ১৫গী লম্বা অদুদা টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা ক্বার্টর হৌরকপা অদুদসু নাকল অনীগী মায়কৈদগী পুশিন্নখিবা বোলশিং অদু কান্নবা ফঙদ্রিঙৈ মেচকী ২৫ শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী স্কোনেল কোর্টিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদুদা ইন্দিয়াবু মখোয়না ১-০দা মাংজিল থারগা চৎখি।

মেচ অসিগী অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল শোঙখরবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনখিবা অদু মায় পাকপা ঙমদনা লৈরকখ্রবা মতুং মেচকী অরোইবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি ষ্টোক অমদা গগনদিপ কোরনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১-১দা দ্রো চৎখি।